অম্বানা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর বার এসোসিএসন, ইম্ফালনা মসিগী সিনিয়র মেম্বরশিং ওইরম্বা এদভোকেট ইরেংবম ব্রোজেন্দ্র অমসুং ময়েংবম হোমেন্দ্রজিৎনা মথংশিংনা এপ্রিল ২৮ অমসুং জুলাই ২৮দা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদো-কপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবনি। অম্বাগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্রনা প্রেসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা এদভোকেট অনী অসি চহী ৫০ হেন্না লো প্রেক্টিস তৌরম্বগী মথক্তা অফবা প্রোফেসনেল লোয়রশিংনি। মখোয় অনীমক মীওইবা অমা ওইনা নোল্লুকপা অমসুং মখোয়গী লিটিগেন্ট অমসুং জুনিয়র এদভোকেটশিংদা লমজিং লমতাকপীরম্বশিংনি হায়দুনা শিংথাখি। মখোয় অনীনা লৈখিদবদা ঙসিগী ভর্চ্যুএল কোন্দোলেন্স মীটিংদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মখোয়বু ইকায় খুনবা উৎখি অমসুং মখোয়গী থৰায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

লোয়নন্না ঙসিগী মীফমনা লৈখিদ্রবা সিনিয়র মেম্বর অনীগী ইমুংনা মায়োক্লুহৌরিবা অৰাবদসু শরুক য়াবগা লোয়নন্না অম্বাগী মীহুৎশিং চৎতুনা মখোয় অনীগী মীনুংশি উৎলুনবসু ৰারেপ্পখি হায়রি।

অখাম বিমলচন্দ্র ৰার্কিং প্রসিদেন্ট হাপখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):

ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) এল টিলোতমানা থোকখিবা ওর্দর অমদা ৰাংখৈ লাইশ্রম লৈকায়দগী অখাম বিমলচন্দ্রবু য়াইস্কুল এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মহাক্না য়াইস্কুল এ সীগী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অসিগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খুদক্তগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা থবক পুবা হৌরগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী কোপিশিং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট, কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর, ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী কোংগ্রেস ৰার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর, য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী পি সী সী মেম্বর অমসুং সিটি দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টদসু পীখ্রে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.419815
US Dollar	74.331976
British Pound	103.477549
Australian Dollar	54.725329
Chinese Yuan Renminbi	11.505189
Japanese Yen	0.678464
Malaysian Ringgit	17.595326
Singapore Dollar	55.014503
South Korean Won	0.064630
Saudi Arabian Riyal	19.821860
Thai Baht	2.256889

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47717.00
Mumbai	–	Rs	48200.00
Delhi	–	Rs	48014.00
Kolkata	–	Rs	48425.00

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS,
POROMPAT:
Booking up to 06/05/21
Valid from 27/04/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814.

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto25/05/2021
Valid from 20/05/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers
8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 17-07-21
B/upto - 20-07-21
Stock 306
7am to 10am

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
70057 07605, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : Bk. Uptodate
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

সর্কল লেভেল দাক অদালট পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস, মণিপুর দিভিজন, ইম্ফালগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা থা অসিগী ৬কী অয়ূক পুং ১১ তারকপা মতমদা সর্কল লেভেল 'দাক অদালট' অমা শিল্লোংদা লৈবা নোর্থ ইষ্ট সর্কলগী চীফ পোষ্ট মষ্টর জেনরেলগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দাক অদালট অসিনা পোষ্টেল সর্ভিসশিংদা লৈরিবা গ্রিভান্সেসশিং অমসুং মসিগী রিদ্রেসেল তৌনবগী থবকশিং পায়খৎকনি। হায়রিবা দাক অদালট অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা অইবা কমপ্লেন্টশিং 'দাক অদালট' হায়দুনা থাবা এনভলপতা ওর্দিনরি পোষ্ট নৎত্রগা স্পীদ পোষ্টকী খূত্থাংদা থারকপা য়াগনি হায়রি।

হায়রিবা কমপ্লেন্টশিং অদু শিল্লোংদা লৈরিবা নোর্থ ইষ্ট সর্কলগী চীফ পোষ্ট মষ্টর জেনরেলদা এদ্রেস তৌরক্কদনি। কমপ্লেন্টশিং অদুদা মীওইশিং অদুগী মপূং ফাবা এদ্রেস অমসুং রেজিষ্ট্রেসন রিসিভ নম্বর য়াওহল্লক্কদবনি হায়রি।

অদুগা সেভিং স্কিমস অমসুং পোষ্টেল লাইফ ইন্সুরেন্সনচিংবশিংগীদি একাউন্ট নম্বর, পোলিসি নম্বর অমসুং দিপোজিটরশিংগী ফুল এদ্রেসশিং হাপ্লক্কদবনি হায়রি। রির্টর্ন কমপ্লেন্টশিং অদু ওফিস অসিদা থা অসিগী ৪ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি। করিগুম্বা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা কমপ্লেন্টশিংদি য়ুজুএল চেনেলশিংগী খূত্থাংদা রিদ্রেস তৌগনি হায়বগা লোয়নন্না কমপ্লেন্টশিং অদু ঈ-মেল- adcptne@rediffmail.com দা থারকপসু য়াগনি হায়রি।

চুড়াচান্দপুর টাওন ঈশিং থূল্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):

হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা মফম অয়াম্বদা নোং চুখিবগুম চুড়াচান্দপুর টাওনদসু নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টাওন ঈশিংনা থূমজিনখ্রে। চুড়াচান্দপুর ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল মচা খরসু নোংনা মরম ওইদুনা পাথোরকপদগী ন্যু লমকা মার রোদ, টিপাইমুখ রোদ, থাংজোম রোদ, টিদ্দিম রোদ জঙ্কসনগী খা থংবা এরিয়াশিংদা ঈশিং থূমজিল্লকপনি হায়রি।

মসিনা মরম ওইরদুনা টাওন অসিগী খরা কুৎপা মফমদা লৈরিবা খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায় অমদি মোলনোই ভিলেজনচিংবদসু ঈশিং থূমজিল্লক্তুনা মফম অসিগী মীওইশিং খুদোংচাদবা মায়োক্লুরে হায়রি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা আই টি রোদকী টি ৰাইচোং খুল মনাক্তা ঙসি অয়ূক অঙনবদা খঙহৌদনা চীং নিংখাইরকপদগী লৌফম কয়াদা লৈনাং হাজিন্দুনা ফুমজিনখ্রে হায়রি। অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীনবা খুঞ্জাশিংনা পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ম্যান্মারগী অৰাবা তারবা মীতৈশিংগীদমক...

লামায় ১গী মখা... ম্যান্মার মীতৈ আইকোন অমসু ওইরিবী মন্দলেগী রিজনগী নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) অমসুং ম্যান্মারদা লৈবা সলাই কনবা লূপ, মন্দলে য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বী তখেল্লম্বম কমলা চনুনা লৈখিদবদা সলাই খোঙহৌ লূপ, থৌবাল (থৌবাল ৰাংমা তাবা) গী মায়কৈদগী অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক লৈখিদবদা সলাইচা খোঙহৌ লূপনা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তারকপদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা ময়ায় তাংবল লৌখিবগা লোয়নন্না মসিগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর পূন্নমক্না শরুক য়াখি হায়রি।

অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবী কমলানা মন্দলেদা সলাইচা খোঙহৌ লূপকী য়ুনিট অমা হাংদোক্লবগীদমক লৌরম্বা মরু ওইবা থৌদাংশিং অমসুং লৈবাক অদুদা দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিংবু শিংথাখি।

মহাক্না মন্দলে রিজনগী নেসনল লীগ ফোর দেমোক্রেসিগী লুচিংবী অমা ওইবদসু চাওথোকচবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না ম্যান্মারদা মীতৈশিংনা চঙলকপদা মহাক্না টুরিষ্ট গাইদ অমা ওইনা মতেং পাংবীখি। মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মহুৎ শিঞ্জিনবা য়াররোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়বগা লোয়নন্না মহাকপু কংলৈপাক (মণিপুর) গী সলাইচা পূন্নমক্না অমসুং ম্যান্মার, বাংলাদেশ, অসাম অমসুং ত্রিপুরা য়াওনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা লৈরিবা সলাইচাশিংগী থম্মোয়দা মহাকপু নুংশিবা অসি লেঙদনা লৈহৌরগনি হায়রি।

মহাক্কী থৰায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা লোয়নন্না মহাক্কী ইমুংনা মায়োক্লুরিবা অৰাবশিং অদুগীদমক থৌনা হাপ্পীনবসু থৌনিজখি হায়রি।

ক্বা মনা পোলাং ১৮গা কোন্ননা মীওই ৩ পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):

ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা ফংখিবা পাউঅমগী মতুংইন্না কম্মান্দোগী জেমাদার সদানন্দনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. এস ইবোমচাগী সুপরভিজন মখাদা মারুটি ভেন অনী অমসুং মারুটি (ৱেগোন আর) অমদা পুননবা হোৎনরম্বা ক্বা মনা পোলাং ১৮ কংলাতোংবীদা ফারে হায়রি।

ক্বা মনাশিং অসি পুননবা হোৎনরম্বা মারুটি ভেনশিং অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিংনা এম এন ০১/দব্লিয়ু ৯১২০, এম এন -০১/দব্লিয়ু ৮৭২৫ অমসুং মারুটি (ৱেগন আর) অদুগীনা এম এন ০৩/এ-২৮৩৭নি হায়রি। মারুটি ভেন অনীদুদা ক্বা মনা পোলাং ৭/৭ হাপ্লম্বগা লোয়নন্না মারুটি ৱেগন আর অদুদা ক্বা মনা পোলাং ৪ হাপ্লম্বনি হায়রি। গাড়ী অহুমসিবু থৌরকখিবা দ্রাইভরশিংনা মথংশিংনা তাইরেনপোকপী অৰাং লৈকায়দগী চীংঙাখম সুরচন্দ্র (২৪) অপোকপা সী ঐচ নিংথৌজাও, চঙাঙ্গৈ অৰাং লৈকায়দগী ৰাংখেম সঞ্জিৎ (২৭) অপোকপা দব্লিয়ু সনাতোন অমসুং কাংপোকপী কৈথেলদগী খ্বাইরাকপম মংলেম (৩৪) অপোকপা কে ঐচ পোনম কৌই হায়রি। মখোয় অহুমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ক্বা মনাশিং অদু কৈথেলমানবীদা লৈবা গোদাউন অমদগী পুরকখিবনি হায়বগা লোয়নন্না ক্বা মনা পোলাং ১৮ অদুগী মমলনা লুপা ৫,৪০,০০০নি হায়রি। ক্বা মনাশিং অদু আর এস ট্রান্সপোর্টসকীনি হায়বা ৰাফমসু পুলিসতা ফোঙদোকই হায়রি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মীওইশিং অদুগা লোয়নন্না সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী থৌওং অদু লোকদাউনগী অথিংবা থুগাইরগা চথরম্বগীদমক ফাগৎখিবনি হায়রি।

গোবিন্দাসনা বি জে পিদা করিগী য়াওরকপনো...

লামায় ১গী মখা... সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরক্লবা ফাওবদা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেসকী থৌ পুবশিং অমসুং মহাক্কীনি হায়দুনা লৈরিবা মীয়াম পেন্থোক্তুনা লৈবা ঙমখিদে। মরমশিং অসিনা জুলাই ৯, ২০২১দা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) গী মায়কৈদগী সর্ক্যুলর অমা থোকখি। সর্ক্যুলর (নম্বর ০৩/বি বি সী সী-এম/০২) অদুগী মতুংইন্না বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস বিয়ররশিং, গ্রাম পঞ্চায়ট অহুমগী প্রধানশিং অমসুং হৌজিক্লা ২৬-বিষ্ণুপুর এ সীগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪১ শুরে হায়রগসু সর্ক্যুলর অদুদা পোল্লিং য়ুনিট ৪০গী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিশিংগী ওইবা জোইন্ট মীটিং অমা জুলাই ১১গী অয়ূক পুং ৮.৩০দা গোবিন্দাস কোন্থৌজমগা লোয়নন্না পাঙথোক্কনি হায়না খঙহনখি। মীটিং অদুদা খন্নগনি হায়খিবা এজেন্দানা 'প্রজেন্ট পোলিটিকেল সিনারিও ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর অমসুং বিষ্ণুপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি' হায়বসিনি।

পাউচে অসিনা মখা তানা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইননা বি বি সী সীগী ওফিস অসি গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ূমদা ওইবনি হায়রি। লোয়নন্না হায়রিবা সর্ক্যুলর অদুগী মতুংইন্না এ সী অসিগী পোল্লিং য়ুনিট ৪০গী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিশিং লোইনমক শরুক য়াদুনা মীফম অদু পাঙথোকখি। অদুম ওইনমক মীফম অদুদা শরুক য়ারখিবা বি বি সী সীগী পোল্লিং য়ুনিটশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবা প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিশিংগী মায়কৈদগী মহাকপু কোংগ্রেস থাদোক্তুনা বি জে পিদা য়াওরো হায়বগী অয়াবমক পীদুনা মীফম অদুনা ফোংনা পুথোক্তুনা খন্নখিদ্রবসু এ সী অসিদা মহাক্না ওপোজিসন এম এল এ ওইনা লৈরকপদগী বি বি সী সীগী পোল্লিং য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনচিংবনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসর মচা অমদা ফাওবা এ সী অসিগী মীয়ামগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনন্না করিগুম্বা ৰাফম অমা হায়রুবা মতমদা ফাওবা নিংথি নুংঙাইনা তাবীদ্রে। পোল্লিং য়ুনিটশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী পোল্লিংশিংদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক পায়খৎনীংবা থবক থৌরমশিং লৈরবসু পায়খৎপা ঙমদ্রে হায়বা ৰাফম ময়াম পুখৎনরকখি। অদুগা মায়োক্লুরক্লিবা ফীভমশিং অসিগা মরী লৈনন্না গোবিন্দাস কোন্থৌজমদা মহাক্কী ওইবা ৰারেপ অমা এ সী অসিগীদমক অদুগা বি বি সী সীগী লুচিংবশিংগীদমক য়েংলগা লৌননবা ৰাফম পুখৎলকখি হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা কাঙথোক্লুরকপা ৰাফমশিং অদু অমনা হৌদোরকপদা অমনা য়েৎপগী ৰাফম য়াওদনা অমনবু অফবা, অওনবা অমগীদমক পুখৎলক্লবদি হায়দুনা ৰাহৈ কারল চনশিন্নদুনা চয়েৎ-খোয়েৎনবা লৈখিদে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম পি সী সীগী মরু ওইবা ফম পুবা মীওইনা ফাওবা মখোয়গী ওইবা কম্মেন্ট পীখিদে। অদুবু গোবিন্দাস মশামক্লদি মীফম অদুদা মহাক্তি হৌজিক এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরি হায়বগা লোয়নন্না এ আই সীগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধী উনরুরগা হল্লকপদা ঙাইরি। ময়াম্না ফোঙদোরক্লিবা ৰাফম অসিগী মতাংদা খন্থনবগী মতম খরা পীবিনবা হায়জখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পাউচে অসিনা খোমজিল্লকপা রিপোর্টশিংগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর এ সীগী ওইনা ভোটর খ্বাইদগী য়াম্না লৈরিবা নিংথৌখোংদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি হায়বা রিটয়ার্দ আই এ এস ওফিসর অমনা কেম্প্যেন হৌগৎলকপা, নিংথৌখোং মক্তদা আর এস এসকী ওফিস অমা লৈবা, নিংথৌখোংগী য়াওনা বিষ্ণুপুরগী অয়াম্বা মীয়াম অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী ভোটরশিংনা আর এস এসতা য়াওবা নৎত্রগসু শন্নবা মীওইশিং ওইরকপনা মথংগী ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলি মীখলদদি হায়রিবা আর এস এসকী ৰাখল্লোন চেনবা ভোটরশিংসি নান্থোক্তুনা বি জে পিগী মীরেপতা ভোট পীখিগদ্রা হায়বগী অচৌবা ৰাফম অমসু লৈরকখি হায়রি।

অসিগুম্বা ফীভমশিং অসি মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মায়কৈদগী পুখৎনরক্লবসু গোবিন্দাস মশামক্না কোংগ্রেসতগী তোল্লগা বি জে পিদা য়াওরগনি হায়বা ৰাফম নাখৈ শেংনা ফোঙদোক্লমখিদে। অদুবু মহাক্কীনি হায়দুনা লৈরিবা মরু ওইবা মীওইশিং অমসুং ভোটরশিংগী প্রেসরদগী মহাক মীটিং অদু জুলাই ১১, ২০২১দা পাঙথোক্লবা মতুং নুমিৎ ৬নি চোম্থরক্লগা জুলাই ১৭তা এ আই সী সীদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী তোকপগী চেরোল পীশিনখিবনি। মহাক্না ফিরেপ অসি লৌরকপদা মতম কয়াগী মমাঙদগী মহাক্না নক্না লোয়নরকখিবা হৌজিক্লা অসামগী বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা হিমন্ট বিশ্বা সর্মনসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবগী রিপোর্ট ফংখি।

হায়বগা তৌবগা, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ফমদগী তোকথোল্লবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ইম্ফালদা হল্লক্লল্লগা এসেম্বলিদা এম এল এ ওইবদগী তোকপা অমসুং কোংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তুগী তোকপগী চেরোল পীশিল্লল্লবা মতুং জুলাই ৩০, ২০২১দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা নুমিৎতুগী মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১, ২০২১দা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মগী লোয়নবী রিনিকা ভুয়ান সর্ম ইম্ফালদা লাক্লমখি। মহাক্না মফম অসিদা লৈরিঙৈদা ইম্ফালগী মফম অমদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী ইমুংগী মীওই অমগা উনদুনা অচেৎপা ৰারী শানখিব্রা হায়বগী ৰাফমসু লৈরি। অসামগী চীফ মিনিষ্টরগী লোয়নবী অদু জুলাই ৩১দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা লোয়নন্না দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা লুচিংবা পার্টিগী থৌপুবশিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা থিন্দোক্লমখিবনি।

অমরোমদনা, গোবিন্দাসনা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা মতমদা মহাক্না নক্লুবা প্রধান অমা অমসুং পোল্লিং য়ুনিটশিংগী মরক্তগী লুচিংবা খরগসু লোয়নন্না চৎখি হায়বগী রিপোর্ট ফংখি। অদুগা ঙরাং বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংগী মনুংদগী মণিপুরগী ইন-চার্জ সম্বিট পাত্রনা লুচিংবা খূৎপু অমনা ওক্লুবা মতুংদা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা ফাওবা উনখ্রবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমদা বি জে পিগী মায়কৈদগী মিনিষ্টরগী ফম অমা পীরক্কদ্রা নৎত্রগা পীরক্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্নদি গোবিন্দাস মশামক্না মহাক্কী নক্লুবা মীওইশিংদা করিগুম্বা মিনিষ্টরগী ফম লৌরুরগদি মহাক্না হন্দক থাংলক্লিবা খোঙথাংশিং অসি মিনিষ্টর পাম্বগীদমক তাখ্রগনি। ৰারবসু ৰানা মথংগী ইলেক্সন ফাওবা মহাক্কী এ সীগী মীওইশিংগা খাঙমিন্নরগা অনৌবা মীখল অদুদা নাখৈ শেংনা বি জে পিগী ইলেক্তেদ মেম্বর ওইনা লাক্লবা মতুংদা মীয়ামগীদমক থবক তৌননবা হোৎনবনা চুমগনি হায়বা ৰাফম ফোঙদোরকই হায়রি।

অদুবু, মহাক্কী ৰাফম অসি ২৬-বিষ্ণুপুর এ সীগী মহাক্কী হকচিনবা ৰার্করশিং অমদি ভোটরশিংনা য়াদ্রি। মহাক্কী ফিরেপ অদু হোংদোক্লগা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা য়াৎলিবা পোরম অদুগী মতুংইন্না মিনিষ্টরগী ফম লৌননবা তকশিনবা লৈখি।

অমরোমদা, ঙরাং বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা ওকখ্রবা মহাক কৈদৌঙৈ হল্লক্কদগে হায়দুনা হংখিবা ৰাহং অমগী পাউখুমদদি মিনিষ্টরগী ফম লৌবা লৌদবগী ৰাফম অসি পার্টিগী নেসনল লিদরশিংগা ঙসি নোংমা নীনিদা লৈখাই তারল্লবা মতুংদা শোয়দনা থোরক্লগনি হায়না খুল্লকখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুবু কোরকোমনা তরাম্না ওক্লক্লি ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা পীকচরবসু মশাগী অশেংবা শক্তম অমসুং হৌরকফম লৈজবা ফুরুপ নৎত্রগা লৈবাক অমত্তবু ফনা য়াম্না মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমত্তনা মতম কুইনা নমথদুনা থম্বা ওইথোক্তে হায়বদু ঙসিগী মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা তাক্লে অমদি মিরাবাই চনুগী মায় পাকপা অসিনা লোইলমগী চৈনা খাংলিবা নীংতম্বা মুনবীখ্রবা মালেমগী ফুরুপ নৎত্রগা লৈবাক খুদিংমক্না চঙশিল্লিবা নীংতম ঈহৌশিংদা থৌনাগী ইনোৎ অমা হাপ্পগা লোয়নন্না নীংতম লম্বীগী মায়কৈ তাকপা, অমকপা লৈত্রবা তরং-তরংবা মঙাল অমা ওইনা লৈহৌরগনি হায়রি।

হন্দক্কী মায় পাকপা অসিনা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগী হৌরকপা নৎত্রবসু থৌনা হন্দনা হোৎনরবদি পুন্সিদা মায় পাকপা ঙম্মী, মণিপুর (কংলৈপাক) কী মীয়াম মরু ওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিং মতম চানা শেন্বীরবদি মতোন লোম্বা ঙমগনি হায়বা উৎলে। অদুবু ঙসি মিরাবাই চনুনা ফংলিবা অচৌবা মায় পাকপা অসি মহাক মশা মতোমতগী হোৎনজমন খক্তনা ওইরকপদি নত্তে। মহাক্কী মাঙজিল থাখ্রবশিংগী খুদোলসু য়াওরি। ৱেঠলিফটিংগী লম্দা লমদমসিগী মাঙজিল থাখ্রবী শক্লাইরবী শান্নরোয়শিং - অনিতা, কুঞ্জরানি, সনামচানচিংবনা মথং মথং ৱেঠলিফটিংদা খূত্থাং লমজেল চেল্লকপদুগী অচৌবা শাফু কল্লবা ইথিলদুনা মিরবাই চনু য়ৌরকপদা পন্থুং য়ৌবা ঙমখিবনি। লেপ্তুনা অমনা অমবু চিংখৎনরগা, থৌনা হাপ্পরগা চঙশিল্লবদি নীংজবা পন্থুং শোয়দনা য়ৌবা ঙম্মী হায়বা উৎপদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্কী মমাঙদা মণিপুর (কংলৈপাক) মচাশিংসু পাঙ্গল, থৌনা অমসুং লৌশিংদা হন্থবা নত্তে, মকোক থোংবা ঙম্মী হায়বদু তাক্লে হায়রি।

রিও ওলিম্পিক্স ২০১৬তা মায়থীখিবদুনা অহানবদা শান্নবদগী পোত্থারসিরা হায়না চপ য়ুংনা খল্লুরবসু মদুনা অচৌবা পাড়া অমা ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক্সতদি মণিপুর ইমাগীদমক মেদল অমা শুংশোয় শোয়দনা লৌদবা য়াদে হায়বগী চপ য়ুংবা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নন্না লৈজবা থৌনা লিংজেল পূন্নমক তাশিন খোমজিন্দুনা, অৰাবা কয়া মায়োক্লুরবসু চোকথবা লৈতবা থৌনা লিংজেল অমদি হনবা নাইদনা খাংবা কনবগা লোয়নন্না হোৎনবদগী মিরাবাইনা ঙসিগী ভিক্টোরি ষ্টেন্দ অসিদা মরাই হাইগৎনা লেপ্পা ঙমখিবনি। ময়াম্না তৎতনা হায়নবা মায়থীবা হায়বসিনা পুন্সিদা মায় পাকপগী য়ূম্বী নৎত্রগা খূৎলায়নি হায়বদু মিরাবাই চনুগী মফমদা চপ চানা থোক্লুরে। তেলঙ্গানা অকনবা নুংশিৎ হেন্না মায়োক্লুরগা হেন্না হেন্না ৰাংনা পাইবগা পাঞ্খকনি।

মিরাবাই চনুগী মায় পাকপা অসিদা মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অমসুং ইমুং মনুংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ইমুংগী লৈত-লায়রগী অকনবা চৈথেং মরক্তা মিরাবাই চনুবু ঙসিগী থাক অসি য়ৌনা খূৎ শমদুনা পুবিরকপা ঙম্বগীদমক মণিপুর (কংলৈপাক) কী মীয়াম্না মিরাবাইগী অপোকপীগী মফমদা লমন তোনশিল্লবনি হায়না লৌজদুনা অপোকপা-অপোকপী অনীগী মফমদা কোরকোমনা কোক নোন্না তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। মখোয়না মিরাবাইবু নুপীনি হায়না হন্থবা মীৎয়েং থমদুনা য়ুমগী কাখু অমদা নমশিন্দুনা থম্বগী মহুত্তা নুপীগী নীংতম্বা পীদুনা, মচাগী অপাম্বা খঙনা লম্বী চুম্না চৎহনবা ঙমখিবদগী মিরাবাইনা ঙসিগী অচৌবা মায় পাকপা অসি ফংবা ঙমজখিবনি হায়রি।

করিগুম্বা মিরাবাইনা নুপীবু নমথবা খুন্নাই নৎত্রগা মচানুপীগী অপাম্ববু মশক খঙবীদবা নৎত্রগা খঙবা ঙমদবা ইমুং অমদা পোক্লল্লবদি ঙসিগী অসুক চাওনা মায় পাকপা অসি ফংলমদবসু য়াই। পীকচরবসু মণিপুর (কংলৈপাক) কী তোপ তোপ্পা মতিং লৈ হায়বদু মিরাবাই অমসুং ঐখোয়গী ওলিম্পিয়ন মরিনা মালেমগী মীয়ামদা উৎপা ঙমখিবদা নত্তনা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি ইন্দিয়ানা মাগী শরুক অমনি হায়জরবসু ঐখোয়গী ওলিম্পিয়নশিংগী তোপ তোপ্পা শক্তম অসিনা লমদম অসি ইন্দিয়াগা মান্নদবা তোঙানবা এন্টাইটি অমনি হায়বদুসু তাকপা ঙমখ্রে হায়রি।

ঐখোয় কংলৈচা-মণিপুরী মীয়ামগী চাওখৎ খোঙথাংনচিংবা লম্খুদিংদা খুরৌ নৎত্রগা পল ওইরিবসি ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক অমদি ইন্দিয়নশিংনি। ইন্দিয়নশিংগী মরক্তগী মীওইবগী মীনুংশি চেনবা মীওই খরা লৈজরবসু মশীং য়াম্না ইন্দিয়নশিংদি রেসিএল দিসক্রিমিনেসন অমসুং লোইলমগী মচৎ ওইরিবা মীবু নমথবগী ৰাখল চেনবা ঙাক্তনি। মশাগী ওইজবা থিবদগী লক্ষ্মি, সর্শ্বটি অমদি দুর্গাবু লাইরেম্বীনি হায়না ঈরাৎচরবসু ফুন্দেল কেরেক্টরগী লুরবা গুহাদা ঙক য়ৌনা পুখখিবদগী নুপীগী মমল খঙনা মখোয়বু নীংতমহনবদি লায়রদনা মসিবু খল্লুনবগী থৌনা লিংজেল ফাওবা ফুদোকপা ঙমজদ্রি হায়রি। মচিন্দা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্বু মমল লৈনা লৌবা মালহল্লবসু হৌজিকসু লমদম অসিগী মীয়াম্বু নমথবা অমসুং তুহৎ-নৈহৎপগী থবক লেপ্পা লৈত্রি। ৱেসিয়া লমদমগী মীওই অমত্তা ঙসিসু ইন্দিয়া ময়োল লমদা নুমিদাংদি লায়রদনা নুংথিল পোবোপ্পা ফাওবা নীংতম্না চৎপা ঙমহন্দ্রি। মসিদা হেন্না খুদোংথীবা নংলিবসি নুপী ওইবীশিংনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি হন্দক্তা দেল্লীগী হাউজ খাসতা ৱেসিয়া লমদমগী নুপীমচা খরদা তাবদা হঙ্গৈইবা ৰাহৈ ৰাতা শীজিন্নদুনা করেম কথাইনখিবা অমদি মতম খরগী মমাঙদা অকনবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা ৱেসিয়া লমদমগী নুপী খরদা ক্বা মহী ওশিনবগী থৌদোকশিং অসিনি। মসি খুদম মচা অমখকনি, মশীং থিঙমদ্রবা থৌদোক কয়াসু লৈরি। নমথবা অমদি তুহৎ নৈহৎপীবা কয়া অসিগী মরক্তা ঐখোয়গী ওলিম্পিয়ন মঙানা লিৎখৎলক্তুনা মশান্না কয়াদা শরুক য়াদুনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাকপা অসিগীদমক কোরমেকামনা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়রি। মণিপুর (কংলৈপাক) না মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরল্লবদি ঙল্লিঙৈ মতমদগী মিরাবাই চনু, পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, সুশিলা লিকমাবম, মেরিকোম অমদি নিলকান্ত অমদি হৌজিক স্কোটলেন্দগী রেঞ্জরস ক্লবতা শান্নরিবা শক্লাইরবী বলাগুম্বা শক্লাইরবা শক্লাইরবী শান্নরোয় লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা ইরৈবাক্না ফংজদুনা মখোয়বু ওলিম্পিক গেমস অমসুং মালেমগী শান্নবুংগী ফম্বাক কয়াদা পুথোক্তুনা মালেমদা মণিপুরগী শক তাক্লম্বা য়াবনি। অদুবু মণিপুর (কংলৈপাক) না মীখা পোনবা লৈবাক অমা ওইরুবনা মশক নাইবা শান্নরোয় নিংথি নুংঙাইনা পুথোকপা ঙমদ্রি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মশক নাইবা শান্নরোয় অমমম ওইগে হায়রবদি মখোয়গী মীৎয়েং ইন্দিয়াদা থম্বগী মহুত্তা মপান লৈবাক্ত ওইনা থমদুনা ইন্দিয়াগী রেসিএল দিসক্রিমিনেসন্দগী নান্থোক্লবা মতম চুপ্পদা হোৎনগদবনি। ইশাগী ৰারেপ ইশানা লৌজবা ঙম্বগী পাঙ্গল ইশাদা লৈজরবদি মতম অসিগী মীয়াম মালেমগী লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা তুংদা হন্থরোই। পুন্সিগী লানফমদা মায় পাক্তুনা পজেং ফিৱাল পায়বা ঙমগনি হায়রি।

হিরোইন, শেল অমসুং কারগা...

লামায় ১গী মখা... ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৪৫ রোম তাবদা মফম অসিদা ইল্লিগেল দ্রগশিং থল্লে হায়বা পাউ ফংবদগী লিলোং থরাওরোক্তা লৈবা মীওই অনীসিগী য়ূমদা কম্বাইন্দ টিমনা চঙশিন্দুনা থি-হুন্বগী থবক চত্থখিবনি। মদুদা পোৎলমশিং অসিগা লোয়নন্না হিরোইন ব্রাউন সুগর হাপ্পা অপিকপা প্লাষ্টিক পেকেট ২৮, সিম কার্দ য়াওবা মোবাইল ফোন (সেমসুং) ১, নুপীগী অঙাংবা মচুগী বেগ ১ অমসুং মককময়ূম ৰাহিদ (২৫) অপোকপা এম দি মনাগী অপিকপা বোক্স অমগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি। পোৎলমশিং অসি ফংবদগী ৰাহিদগী লোয়নবী নসিমা (২৩) বুসু কম্বাইন্দ টিমনা ফাগৎখি। ফারবা মতৈ মনাও অমসুং সিজ তৌরবা পোৎলমশিং অদু লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসিসু লিষ্ট...

লামায় ১গী মখা... ১৯৫১গী সেক্সন ১৫২ এ অমসুং ১২৭কী মখাদা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎনবা ওর্দর পীবীয়ু হায়রকখিবনি। পিটিস্নরগী পিটিসন অদু কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা মসিগী ৰায়েলশিং থেঙ্খ্যাং নাইনা চথরক্লবা মতুং মার্চ ১৭, ২০২১দা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা মসিগী রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা এপ্রিল ১৫, ২০২১দা লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্টকী ওর্দর অদুদা পিটিস্নর ৰাই ইরাবোতপু ও হেনরিগী মহুত্তা ১৫-ৰাংখৈ এ সীগী এম এল এনি হায়না লাউথোক্লবা ওর্দর পীখিবগা লোয়নন্না ও হেনরিবু এ সী অসিগী ইলেক্তেদ কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকখিবা ওর্দর অদুবুসু চৎনহন্দনা থমখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনন্না পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা পেন্দ্রবা ও হেনরিনা হায় কোর্টকী ওর্দর অসিগী মায়োক্তা সিভিল অপীল নম্বর ১৬৬৬ ওফ ২০২১ সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী সিভিল অপীল অদু মে ৬, ২০২১দা এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস উদৈ উমেস ললিত, জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস কে এম জোসেফকী বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়নন্না সিভিল অপীল অদুবু খন্নরবা মতুংদা ৰাই ইরাবোতপু ৰাংখৈ এ সীগী এম এল এ ওইনা ৰাশক লৌখ্রবনিনা মহাক্না এ সী অসিগী মীয়াম্বু এসেম্বলিদা মহুৎ শিনবগা লোয়নন্না এসেম্বলিগী দিবেটশিংদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়খিবনি। অদুম ওইনমক এম এল এ অমা ওইনা এসেম্বলিগী ফ্লোরদা নৎত্রগা হাওসকী কম্মিটি অমগী ভোট লৌনরকপদা মহাক্না ভোটিং রাইট লৈরোই হায়বগা লোয়নন্না এসেম্বলিগী মেম্বর অমা ওইবগী মোনেটরি বেনিফিটশিং লৌবা য়ারোই হায়বা দিরেক্সনশিং নুমিৎ অসিদা এপেক্স কোর্টনা ইন্টরিম ওর্দর ওইনা পীদুনা খঙহনখিবনি।

লোয়নন্না মে ৬, ২০২১দা ও হেনরিগী সিভিল অপীল অসি লৌখৎতুনা খন্নরগা হায়রিবা ইন্টরিম ওর্দরশিং অসি পীখিবগা লোয়নন্না সিভিল অপীল অসিগী অরোইবা ৰায়েল (ফাইনেল দিস্পোজেল) গীদমক নুমিৎ অসিদা জষ্টিস অহুমগী বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অসি জুলাই ২৭, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখিবনি। অদুগা নুমিৎ অসিদগী মথংগী নুমিৎ ওইখিবা জুলাই ২৭ ফাওবগী মনুংদা ৰাই ইরাবোতকী মায়কৈদগী মহাক্কী এফিদেভিট ফাওবা সবমিট তৌরক্লবা খঙহনখি। লোয়নন্না করিগুম্বা মেট্টর অসিগা মরী লৈনবা রিজোইন্দরশিং ফাইল তৌরক্কদবা লৈরবসু চয়োল অহুমগী মনুংদা তৌরক্লবসু দিরেক্সন পীখিবনি। এপেক্স কোর্টকী জষ্টিস অহুমনা পীখিবা দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না জুলাই ২৭, ২০২১দসু এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস উদৈ উমেস ললিট অমসুং জষ্টিস অজয় রাষ্টোগিগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৭তা সিভিল অপীল অসি লিষ্ট তৌখি। এপেক্স কোর্টনা খন্ননবা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নবদা চঙগদবা মতম ফংখিদবদগী লৌখৎখিদে। অদুবু হয়েং অমুক হন্না ও হেনরিগী সিভিল অপীল অসি জষ্টিস উদৈ উমেস ললিট অমসুং জষ্টিস অজয় রাষ্টোগিগী অয়ূক পুং ১০.৩০দগী হৌগদৌরিবা বেঞ্চ অসিগী প্রোসিদিংগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৮দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌখ্রে। করিগুম্বা হয়েং এপেক্স কোর্ট অসিনা মেট্টর অসি খন্নবগী তাঞ্জা ফংদুনা লৌখৎলগা মসিগী মখা তারকপা হিয়ারিং ফাইনেল দিস্পোজেলগীদমক পাঙথোরক্লগদি কোর্ট অসিনা মে ৬, ২০২১দা পীখিবা ইন্টরিম ওর্দরনা এম এল এ ৰাই ইরাবোৎতা ভোটিং রাইট পীরক্তবা অমসুং এসেম্বলিগী মেম্বর অমা ওইবগী ফংফম থোকপা মোনেটরি বেনিফিটশিং ফংহন্দনা থল্লকখিবা অদু লৌথোক্তুনা অনীমক ফংহল্লক্কদ্রা নৎত্রগা সিভিল অপীল অসিগী মরাইবক করি ওইরক্কদগে হায়বদু য়েংখিবা তারি।

পনবা য়াবদি, সিভিল অপীল অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট রাজেস মহলেনা লেপ্লিবনি। অদুগা এম এল এ ৰাই ইরাবোতকী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপ্লিবনি।

পোজিটিভ ৫৪১ থেংনরে, ১২ ...

লামায় ১গী মখা... কামজোং ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৫৭৮ শুরে। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ অসিগী মনুংদা তরেৎনা কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা মীওই ২না কোভিদ ভেক্সিন ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

লোয়নন্না ঙসি মীওই ১১২০ দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৫৬৮, রিমস ৪৭, জেনিমস ১৫, সী সী সীশিংদগী ২২৭ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২৬৩ য়াওই হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৫৪১ অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটভ কেস মশীং ৯৯,৮৭২ (মীচম মীয়াম - ৯৫,৮৮৪ অমসুং সী এ পি এফ ৩,৯৮৮) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৮,৪৮০ (মীচম মীয়াম - ৮৪,৫৪৪, সী এ পি এফ - ৩,৯৩৬নি। এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৯,৮১৪ (মীচম মীয়াম - ৯,৭৬৭, সী এ পি এফ - ৪৭) লৈরি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৮.৫৯নি হায়রি। হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ-১৯৯৮ অমসুং বি টাইপ - ২৭৯নি হায়রি। লোয়নন্না ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৩,২৩,৫৫৮ (ফর্ষ্ট দোজ-১১,১০,৩১৮ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ২,১৩,২৪০নি হায়রি।

য়াওলগী ইকায় খুম্নবা উৎলক্লি...

লামায় ১গী মখা... তানখ্রে।

ৰাফম অসি প্রিপাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর অচৌবনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা ওফিসর অসিনা লৈখিদবদা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়নন্না লৈখিদ্রবগী মফমদা নীংতম য়াওলগী মপূং ফাবা ইকায় খুম্নবা উৎলক্লি।

মেজর সলাম বাবু এলিয়জ টোনি মৈতৈ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ইবোমচা অমদি অপোকপী লৈখিদ্রবা সলাম ওংবী ইবেমহলগী মচিন মনাও মপারি মরিগী মনুংদা অহুমশুবা মপারি ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। পিক্লিঙৈদগী হৌনা মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিজবা অমদি লৈকায়গী থবক থৌরম কয়াদা থৰায় য়াওনা চেঞ্জ-চোংজ তৌদুনা হৌরকখি। মী মশেল মরক্তা খেন্নবা থমদুনা অচৌবা-মচা, লায়র-ইনাকখুনবা খাইদুনা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী অসিবু শেমদোক্তুনা মান্নবা খুন্নাইদা য়ূম্ফম ওইবা ঐখোয় পূন্না চাওখৎমিন্নবা, নুংঙাইমিন্নবা পুন্সিরোল অমদা লৈমিন্নবা পাল্লকখি। ৰাখল্লোন অসিদা মীৎয়েং থমদুনা ইমা লৈবাক্কী মাঙখ্রবা নীংতম্ববু অমুক হঞ্জিলহন্নবগীদমক নীংতম য়াওল চত্থরিবা প্রিপাক্তা কুমসিং ১৯৯৭কী দিসেম্বর থাদা য়াওরকখি অমদি রেদ আর্মিগী মিলিটরি বেসিক ত্রেনিং ফংদুনা আর্মি নম্বর ৭০২২৫ ফংখি। মেজর টোনি মথক থোংবশিংগী য়াথং ঙাক্লা চৎপা, হোৎনবা কনবা অমদি রেদ আর্মিগী লান্থেং কয়াদা শরুক য়াখিবা মশক থোকপা লান্মী অমনি। কুমসিং ২০১৮দগী লাইএজন ওফিসরগী ফম পুদুনা পার্টিনা শীন্নবা মপান থৌরমগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা মায় পাক্লা থবক পুরম্বদা নত্তনা জে এম সীগী মখাদা জে এস সী-১গী থবক থৌরম কয়াদসু মায়পুননবা থৌ পুরম্বা ওফিসর অমনি হায়রি।

অথৌবা অসিনা লৈখিদবদা প্রিপাক অমসুং রেদ আর্মিগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরে। মহাক্কী থৰায়না মপুগী লৈকোলদা তিন্দুনা ঈংনা-চিক্লা য়াতাবা ওইরসনু হায়রি। লোয়নন্না মেজের টোনিনা লৈখিদবদা ইমুং-মনুং, মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ মপাংশিংগী অৰাবদসু প্রিপাক্লা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি হায়রি।